**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-01-2025)**

**মীফম(এল)ঃ** রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দল মীফমনা দা দ্রাফট মনিপুর টেনেন্সি বিল ২০২৫ অয়াবা পীখ্রে।

তমেংলোং জিলাদা ঙসি ফমখিবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। মদুগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা অবার্ন টু পোইন্ট জিরো চৎনহন্নবা, থৌবাল অমদি ইম্ফালগী কমপ্রেহেন্সিপ সিটি মোবিলিটি প্লানগী মতাংদা খন্নখি। ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম মথং থাগী ১০ দগী ফমবসু মন্ত্রি মন্দলনা ৱারেপ লৌখি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ দা শেল্লিবা তমেংলোং-মহুর লম্বী অথুবা মতমদা লোয়শিল্লগনি। লম্বী অসিনা শেন্বা হেক লোইরকপদা লমদম অসিগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম মাংওইননা তমেংলোং জিলাগী মীণি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট ১৮ উরেপ উয়ুং তমখি অমদি প্রোজেক্ট ২৪ না শঙ্গাখি।

উরেপ উয়ুং তমখিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা তমেংলোং, তামৈ অমদি তৌসেম, কৈমাই পুলিস ষ্টেসনগী ক্বাটরশিং শাবা, তৌসেম অমদি পালোংদা ইক্লাভিয়া মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুলশিং শাবা য়াওরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসি জিলা অসিগী শঙ্গাখিবা প্রোজেক্ট ২৪ গী মনুংদা প্রাইমারি হেলথ সেন্টর, প্রাইমারি হেলথ সব সেন্টর, ভেল্লি সসপেন্সন ব্রিজ, দিষ্ট্রিক্ট আরলি ইন্টরভেন্সন সেন্টর অমদি ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং য়াওরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-ঠিকাদারশিংনা মতম চানা থবক লোয়শিনবা ঙমদ্রবদি সরকারদগী কন্ট্রেক্ট মখা তানা লৌথগনু। সরকার অসিনা থম্মোয় শেংনা থবক নীংথিন তৌবা ঠিকাদার খক্তমক থবক পীগনি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা তোঙান তোঙানবা সমস্যা কয়া লৈরবসু বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকার অসিনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি। তমেংলোংগী ওইনসু খোংশাং রোড, ৱাটর সপ্লাই স্কিম কয়া অমদি নেচরেল ফুটবোল গ্রাউন্দ শেমগৎতুনা মান্নবা খুন্নাই অমা ওহননবা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্যগী হেলথ দাইরেক্তর-ডা: চম্পো গোনমৈদা ব্লড বেঙ্ক লাইসেন্স খুৎশিন্নখি। মনিপুরগী চীংগী জিলাশিংদা ব্লড বেঙ্ক লৈবা অসি তমেংলোং জিলানা ওইরে।

**জেদিয়ু (এল)ঃ** মনিপুরগী বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকারদা জনাতা দল য়ুনাইটেদ (জে.দি.য়ু) না শৌগৎপা লৈত্রি হায়না নৌহৈননা দল অসিনা মনিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভাল্লাদা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে।

দল অসিগী ষ্টেট য়ুনিটনা রাজ্যপালদা ইখিবা চেরোল অদুদা হায়-জে.দি.য়ুনা ইন্দিয়া ব্লোক্তা য়াওরবা মতুংদা বি.জে.পিনা লুচিংবা মনিপুরগী সরকার অসিদা শৌগৎলম্বা অদু তোক্লে হায়না মমাংদা হাউসকী লুচিংবসু ওইরিবা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন অমদি বিধান সভা অধ্যক্ষদা খঙহনখিবা লৈখ্রে। মমাংগী ফমখিবা বিধান সভাদা দল অসিগী অমত্তা ঙায়রবা এম.এল.এ. এম.দি. অব্দু নাশিরবু বিরোধি বেঞ্চতা ফমখ্রবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইং ২০২২ দা পাঙথোকখিবা সধারন মীখলদা জে.দি.য়ুগী ওইনা মীরেপ তরুকা মায় পাকখি। তুংদা, এম.এল.এ. মঙা বি.জে.পিদা য়াওখিবনি।

**হায় কোর্ট (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱেশিংদা পোৎ-চৈ অমদি পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং অয়েৎ-অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌহন্নবা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং য়েংশিন্নবা জোইন্ট কমিতি অমা শেমগদবনি হায়না হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা রাজ্য সরকারগী মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংদা খঙহনখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদগী য়াংলেম মঙ্গিনা হৌখিবা চহি ২০২৩ দা হীরম অসিগী মতাংদা পি.আই.এল. অমা থাংগৎলকখি। পি.আই.এল. অসিগা মরী লৈননা ইন্টরিম ওর্দর অমসু কোর্টনা থোকখিবা লৈখ্রে। মদুগী মতুং মমাং চহিগী আগষ্ট ২৪ দা কোর্টনা কন্টেম কেস অমা লৌখৎখিবনি।

চীফ জষ্টিস-দি. কৃষ্ণকুমার অমসুং জষ্টিস-এ. গুনেশ্বর শর্ম্মগী অপুনবা বেঞ্চ অমনা থা অসিগী ২০ দা চগ্থখিবা হিয়ারিং অমদা রাজ্য অসিগী য়ামা মরুওইরিবা লম্বী অমা ওইরিবা নেসনেল হায়ৱে অনি অসিদা পোৎ-চৈ পুবা য়াওনা পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌহন্নবা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা জোইন্ট কমিতি অমা শেমবা খঙহনখিবনি। লোয়ননা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৮ ফাওবগী মনুংদা সরকারনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী রিপোর্ট অমা পীখৎলকবা খঙহনখ্রে।

**বেতি (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারনা ইং ২০১৫ গী জলাই ২২ দা লৈবাক শিনবা থুংনা হৌদোকখিবা বেতি বচাউ-বেতি পরাও স্কিমনা চহি ১০ মপুং ফারকপগী পালন থৌরম ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু পাঙথোক খি।

থৌবাল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার, আই.সি.দি.এসনা পুন্না শিন্দুনা পালন থৌরম অসি ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুবাসনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সুবাসনা হায়-থৌবাল জিলাদা হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা সরকার অসিনা নুপীমচা

অমসুং নুপামচাগী সেক্স রেসিও য়েংন্নবদা নুপীমচানা খরা হন্থে। মসি লাইবক থিবনি। মসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনননা য়েংশিনদুনা নুপীমচাশিংগী মশিং হেনগৎহন্নবা হোৎনরি। মসিদা মীয়ামা মতেং পাংবিয়ু।

জিরিবামগী নুপীমচাশিংবু মান্নবা মীৎয়েংদা থম্বগা লোয়নননা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরকবা হোৎনবা থৌদাংগী মনুং চন্না পাঙথোকপা বেতি বচাউ-বেতি পরাওগী থৌরম ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামনা শিনদুনা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা বাইক রেল্লি অমা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা লমথাখিবগা লোয়নননা থৌরমদুগা মরী লৈননা ৱাশক অমসু লৌখি।

স্কিম অসিগী মখাদা নুপীমচাশিংবু ঙাকপী শেনবীবা, মহৈ তমহনবা অমদি নুপীমচাশিংদা থৌনা পীবগী চত্থরকপা চহি ১০ শুরকপগী থৌরম ঙসি উখ্রুল জিলাদসু পাঙথোকখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মোটোর সাইকল রেল্লি অমা জিলা অসিগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রে-কজাইগাই গাংমৈনা লমথাদুনা চৎখি। রেল্লি অদুদা নুপীমচাশিংগী মরুওইবা থৌদাং কয়া য়াওবা প্লে কার্ড কয়া অমসু পায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল অমদি আই.সি.দি.এস. প্রোজেক্ট চান্দেলনসু পুন্না শিনদুনা ১০ রক শুবা বেতি বচাউ-বেতি পরাউগী পালন থৌরম ঙসি জিলা অসিগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলাম্বম রাজকুমারনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা স্কিম অসিগা মরী লৈননা জিলা অসিদা পায়খৎখিবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদা আই.সি.দি.এস. প্রোজেক্টকী সি.দি.পি.ও. চকপিকারোং-ৱাই. সুরজ্যা জিবননা ৱা ঙাংখি। জেন্দর ইক্কালিতি অমদি সেন্সিটাইজেসনগী মতাংদনা সেন্টর ফোর ৱিমেন এন্দ গালসকী ইগজকিটিব দাইরেক্তর-হেচিন হাওকিপনা ৱা ঙাংখি অমদি পি.টি. এন্দ পি.এন.দি.টি. এক্টকী মতাংদনা দি.এন.ও. ডাক্তর বি.চিংদৈনেননা ৱা ঙাংখি।

পালন থৌরম অসি ককচিং জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং অমদি আই.সি.দি.এস. সেল ককচিংনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা সাইকল রেল্লি কম প্রভাদ ফেরি লমথাখি।

কাংপোকপীগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিস অমদি আই.সি.দি.এস. সেলনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা বেতি বচাউ-বেতি পরাউগী থৌরম পাঙথোকখি।

**লম্বী (এল)ঃ** ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরমগা মরী লৈননা মসিগী ফুলড্রেস রিহারসেল লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা পাঙথোক্কনি। ফুলড্রেস রিহারসেল অমদি নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা গনতন্ত্র দিবস থৌরমগা মরী লৈননা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

রাজ্যগী ত্রাফিক কন্ট্রোল ৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-শিংজমৈ ফাওরগা লিলোংদগী হাইগৎলকপা গাড়িশিংনা পিশুমথোংলোমদা চৎকনি। মোইরাংখোমলোমদা লাকপা গাড়িশিং কৈশামথোংলোমদা চৎকনি। ময়াংইম্ফালদগী কৈশামপাৎ তমা লাকপা গাড়িশিংনা তিদিম লাইন নত্রগা ৱাহেংবম লৈকাইরোমদা চৎকনি। কোইরেংগৈদগী খোঙনাং অনি কারকলোমদা লাকপা গাড়িশিংনা দিংকুরোড নত্রগা এসেমব্লি রোডতা চৎকনি। শঞ্জেনথোং অমদি মিনুথোং ফাওরগা ইম্ফাল ইষ্টলোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা লমলোং থোং, লোক্লাউবুং, থোম্বুথোং অমদি শিংজমৈ থোংলোমদা চৎকনি। উরিপোক কাংচুপ রোডতগী ফ্লাই ওভর ব্রিজ ফাওরগা লাকপা গাড়িশিংনা নাগামপাললোমদা চৎকনি।

নিউ কছার রোডতগী লাকপা গাড়িশিংনা কৈশামপাৎ নত্রগা নাগামপাললোমদা চৎকনি। তিদিম রোদতগী কৈশামপাৎ তমা লাকপা গাড়িশিংনা ৱাহেংবম লৈকাই নত্রগা ময়াংইম্ফাল লম্বীদা চৎকনি। খোয়াথোং অমদি থাংমৈবন্দলোমদগী এল.আই.সি ক্রোসিং তমা লাকপা গাড়িশিংনা নাগামপাললোমদা

চৎকনি। খুমন লম্পাক অমসুং এম.এম.টি.এদগী নোর্থ এ.ও.সি ক্রোসিংরোমদা লাকপা গাড়িশিংনা এম.এম.টি.এ ক্রোসিংদগী মিনুথোংলোমদা চৎকনি। অদুমওইনমক, ভি.আই.পি নত্রগা ইম্মরজেন্সি সার্ভিসশিংগী ওইনদি অথিংবা অসিদা য়াওরোই হায়রি।

**ক্রিসি (এল)ঃ** ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র, কে.ভি.কে. থৌবালনা শিন্দুনা ২০ শুবা সাইন্টিফিক এদভাইজরি কমিতিগী মীফম ঙসি ইম্ফালগী দাইরেক্তোরেট ওফ এগ্রীকলচরগী ফামরস ত্রেন্নিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**চান্দেল (এল)ঃ** কে.ভি.কে. চান্দেলগী ২০ শুবা সাইন্টিফিক এদভাইজরি কমিতিগী মীফম ঙসি আই.সি.এ.আর. মনিপুর সেন্টরদা লৈবা লোক্তাক ফামরস হোষ্টেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কে.ভি.কেগী সবজেক্ট মেটর স্পিসিএলিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**এনইপি (এল)ঃ** ষ্টেট প্রোজেক্ট দাইরেক্তর-শমাগ্রহ শিক্ষা মনিপুরনা হায়রি- নেসনেল এদুকেসন পোলিসি (এন.ই.পি) ২০২০ গী মখাদা পীক্লিবা অঙাংশিংবু মহৈ মশিং, হকশেল অমদি অতৈ হীরম কয়াদা হৈথোই শিংথোইহনগদবনি।

চেরোল অমদা শমাগ্রহ শিক্ষা ষ্টেট ইমপেমেন্টেসন সোসাইতি মনিপুরনা হায়-থৌরাং অসিগী মখাদা জোনেল এদুকেসন ওফিসার (জেট.ই.ও) শিংনা বিদ্যা প্রাভেস মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনগদবনি।

চেরোল অদুনা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা সরকারগী স্কুল, এদেদ অমদি লন্নাই স্কুলশিংদা বিদ্যা প্রাভেসকী মখাদা গ্রেট ৱানদা তন্লিবা মহৈরোইশিংবু শান্ন খোৎনবগী মওংদা থা অহুম লাইরিক তম্বীগদবনি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** ইন্টরনেসনেল ওবজারভেসন কমিতি ওন পুয়া মৈ থাবা (ইকোপ) না শিনদুনা ২৯৬ শুবা পুয়া মৈ থাবা নীংশিং নুমিৎ থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈনৌ লম অহিংবা লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীনা হায়-পালন থৌরম অসি চহি ৪৭ চুপা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। থৌরম অসিগী হীরমনা রিমেম্বর, রিভিয়ু এন্দ রিভাইভ ফোর লফ, পিছ এন্দ ইন্টিগ্রীতি হায়বসিনি। ঙসিগী থৌরম অদু ইকোপকী চেয়ারমেন-নোংদ্রেনখোম্বানা সলাই তরেৎকী ফিরাল চিংখৎতুনা হৌদোকখি।

**নোনে(এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কোংগ্রীলোং পার্টি টু খুলদা য়ুম অমা মৈনা তুমা চাকখ্রে। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ১১ হেনবা অদুৱাইদা থোকখিবনি। মৈ অদু সোর্ট সারকুইটতগী হৌরকপনি।

**এদুকেসন (এল)ঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ এদুকেসন (এস) না চহি খুদিংগী পাঙথোকপা ষ্টেট কম্পিটিটিব স্কোলারসিপ ইগজামিনেসন মথং থাগী ২৩ দা পাঙথোক্লগনি।

পারিক্ষশ অসি ক্লাস থ্রি, ফাইব অমদি আইট তম্লিবা মহৈরোইশিংগীনি।

**স্ত্রোকঃ** কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি-পুনিয়া সালিলা শ্রীভাস্তাবানা হায়রি-লৈবাক অসিদা হেনগৎলক্লিবা স্ত্রোক্কী চাং অসি য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। ৱাফম অসি ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা নেসনেল স্ত্রোক সমিট ২০২৫ দা শ্রীমতি পুনিয়ানা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী ওইনা স্ট্রোক য়ুনিট ৫০০ রোম মথৌ তৌরি। মীয়ামদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা হেন্না ফংহন্নবগী মখা তানা অহেনবা য়ুনিটশিং হাংদোকবা থৌরাং তৌরি। স্ট্রোক অসি মতম চানা লায়েংলবদি মসিদগী কনবা ঙমগনি। লৈবাক অসিদা শিবা মীশিংগী চাদা ৬৬ তি লৌনগন্দবা লায়নাশিংনা নাবদগী শিবনি।

**পোলো (এল)ঃ** ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চত্থরিবা দি.জি.এ.আর. মেন এন দ ৱিমেন পোলো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ কী ঙসি শান্নখিবা নুপা কেটেগোরিগী অহানবা মেটচতা পেরেদাইজ পোলো ক্লবনা কোংপাল য়ুথ পোলো ক্লব টিম (এ) বু পাঞ্জল ১২-৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা নুপাগী মেটচ অমদা ক্রিপসা পোলো ক্লব টিম (বি) না ময়াং ইম্ফাল পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৩ দা মায়থিবা পীখি।

নুপীগী কেটেগোরিগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লিনথোইঙানবী কাংজৈ লুপনা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব পোলো টিমবু ১৭-১ মায়থিবা পীখ্রে।

**গেমস(এল)ঃ** উত্তরখন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা শরুক য়ানবগীদমক মনিপুর সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল টিম থা অসিগী ২৬ ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

**লিগ (এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী সি.এম.এস. থা অসিগী ২৫ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** মরিশুবা মাস্তর মোইরাংথেম মনাওতোন সিংহ এন্দ এম. চন

দ্রসখি দেবী মেমোরিয়েল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা

**ফূটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা চত্থরিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.ভি.এ. ৱাংজিংনা পি.এফ.এফ. চরাংপাৎপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** মঙাশুবা চন্দ্রনিধি ত্রোপি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-বুংচা এফ.সি. লংথাবালবু ওল স্তার কিয়ামগৈনা পাঞ্জল ৪-০ দা অমদি ৱাই.দি.সি.এল. পুংদোংবমনা হিয়াংথাং এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এফ.সি লমজাউ অমদি টি.দি.সি. তেজপুর পঞ্জাল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.টি.এফ.সিনা পুমলেন এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

**ফুদসাল (এল)ঃ** করনেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ফোর্দ ইন্টর ক্লব ফুদসাল টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- কে.এল.এ.এস.এনা কে.আই.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৬-৪দা, এম.এস.ঐচনা এস.এস.সিবু পাঞ্জল ১১-২ দা, ই.এস.য়ুনা এন.এফ.এবু পাঞ্জল ২১-৬ তা অমদি এম.য়ু.এফ.এনা এম.আই.য়ু.এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-৫ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা রেজ-নাগামপালনা বি.এ.টিবু রন-১৯ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ ডব্লিয়ু রামানন্দা এলিট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোদেল শিংজমৈ চিংঙামখানা এস.সি.সি. শিংজমৈ থোংঙাম লৈকাইবু ৱিকেট অনিদা থোইখ্রে।